**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- পুলিস ফোর্সকী মপাঙ্গল হেনগৎহল্লবা মতমদতা রাজ্য অসি তংদু লৈতানা লৈবা ঙমগনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সকা মীয়ামগা অফবা মরী লৈরবা মতমদা থোরক্কদবা খুদোংথিবা থৌদোকশিং কনবা ঙমগনি হায়না গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা ফোংদোকখ্রে।

৩) মণিপুরগী ইরাং লোইশিন্নবা অমদি ফাজিনদুনা লৈরিবা কাংলপ্ অনিগী মীওইশিং থাদোকউ হায়বা দাবী তৌরদুনা ঙসি ইম্ফালদা মীয়ামগী খোঙচৎ চৎখ্রে।

৪) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি মীওই ৬৬ তা পদ্মা এৱার্দ ৬৬ য়েন্থোকখ্রে। মণিপুর শকাইরবা নট সংকৃটনগী লৈখিদ্রবা গুরু য়ুমাম যাত্রাদা পদ্মাশ্রী পীদুনা ইকায় খুমখ্রে।

অমসুং

৫) লৈবাক অসিগী মীয়ামদা পেত্রোল্লিয়মগী পোখোকশিং অমদি এল.পি.জিগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা ওইল মার্কেতিং কম্পনিশিংনা লেপ্তুনা হোৎনরি।

------

পুলিস (এল)ঃ   মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- পুলিস ফোর্সকী মপাঙ্গল হেনগৎহল্লবা মতমদতা রাজ্য অসি তংদু লৈতানা লৈবা ঙমগনি।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা এসিষ্টেন্স টু ষ্টেটস ফোর মোর্দনাইজেসন ওফ পুলিস স্কিমগী মখাদা রাজ্য পুলিসনা শিজিন্ননবা গাড়ি মচা অমদি অচৌবা পুন্না ৪৭৭ খুৎশিন্নবগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রি ফোংদোকখিবনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা ঙসি লমথাকখিবা গাড়িশিং অদুগী মনুংদা হেরো মোটোর সাইকল ১০০, বোরেরো বি-সিক্স ৩৯, বোলেরো নিও ৫০, টাটা য়োধা ৭৪, মাইন প্রোটেক্তিভ ভেহিকল ১০, টাটা ত্রক ২০, টাটা ৪০৭- ৩০, মহিন্দ্র বস ২০, বুল্লেট প্রুফ রক্সক ৬০, ৱাটর টেঙ্কর গাড়ি ১৯, বোরেরো কেম্পর ৫০ অমসুং ঐচ.এম.আর গাড়ি ৫ য়াওরি। ঙসি য়েন্থোকখিবা গাড়িশিং অদুগী অপুনবগী চাদা ৫৪ না চীংগী জিলাশিংদা অমদি লেমহৌরিবা চাদা ৪৬ অদুনা তম্পাক্কী জিলাশিংদা শিজিন্নগনি হায়রি।

শ্রী খেমচান্দনা মখা তানা থৌরম অদুদা হায়- রাজ্য পুলিসনা শিজিন্নবা অনৌবা মখলগী গাড়িশিং খুৎশিন্নবা অসিনা লমদম অসিগী ঙাকশেলগী লমদা হেন্না খুমাং চাওশিল্লগনি। খুদক খুদক্কী ওইবা থৌদোক ৱাথোকশিং লাকশিনবদা গাড়িশিং অসিনা চাউনা মতেং পাংলগনি। মহাকা হায়- কেন্দ্র সরকারগী গৃহ মন্ত্রালয়না মমাং চহিগী ওক্তোবর ৩১ দা পুলিস মোর্দনাইজেসন তৌনবগীদমক লুপা কোতি ১৯৬ লাখ ৬১ গী শেনফম রাজ্য অসিদা পীরকখি। মসিমক সরকারনা ঙাকশেলগী লমদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি হায়বদুগী ময়েক লারবা খুদমনি। মখা তানাসু অহেনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া হাপচিনদুনা পুলিস ফোর্সকী মপাঙ্গল হেনগৎহন্নবা হোৎনরি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়- সরকার হায়বসি ঐখোয় পুমমকা শেন্বনি। মরম অদুনা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নদুনা লমদম অসি শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহল্লশি। মহাকা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সকা মায়ামগগী মরক্তা অফবা মরী লৈরবা মতমদা খুদোংথিবা থৌদোক থোক্লক্কদবা কয়া কনবা ঙমগনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং

মখাদা লৈবাক অসিগী সেক্যুরিতি ফোর্সশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনরি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখো, মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং, চীফ সেক্রেতরি, সেক্যুরিতি এদভাইজর, সেনিয়র পুলিস ওফিসারশিং, আর্মি অমসুং সি.আর.পি.এফকী মকোক থোংবা ওফিসারশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা সেক্যুরিতি এজেন্সিশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম য়াওনা সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগা উন্নদুনা নেসনেল হাইৱেশিংদা অয়েৎ অপন য়াওদনা পোৎ চৈ পুথোক পুশিন তৌবা য়ানবগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে। মসিগীদমক পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎনবসু খন্নখি। সরকার অসিনা মীয়ামদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং মরাং কায়না ফংহন্নবসু অকনবা থবক লৌখৎলি হায়রি।

রেল্লি (এল)ঃ মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা অমদি ফাজিনদুনা লৈরিবা কাংলুপ অনিগী মীওইশিং থাদোকড হায়বা দাবী তৌরদুনা ঙসি লমদম অসিদা লৈরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংনা ৱাকৎ খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

নাগা পিপল য়ুনিয়ন ইম্ফালনা শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা নিউ চেক্কোনগী ত্রাইবেল মার্কেটতগী নাগা, মীতৈ অমদি মীতৈ পাঙল মীয়ামা শরুক য়াবা খোঙচৎ অদু মুখ্য মন্ত্রিগী বঙ্গলো তমা লাকখি। অদুমওইনমক, খোঙচৎ অদু ইম্ফালগী কোনুং মমাংদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং অথিংবা পীদুনা মখা তানা চৎহনখিদে। খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মীচম মীয়ামদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা অকিবা অখণ্ড পীবগী থৌওং চখবা য়ানিংদে, উখ্রুলগী টি.এম. কসোমদা চখখিবা এম্বুসকী অচুম্বা ৱায়েল পুথোকউ, সস্পেসন ওফ ওপরেসনগী য়ান্না চেরোল মখা তানা চৎনহল্লোইদবনি হায়বা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি।

এৱার্দ ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা কুমশি চহিগী ওইনা মীওই ৬৬ তা ঙসি পদ্মা এৱার্দশিং য়েন্থোকখ্রে।

রাস্ত্রপতি ভবনদা ঙসি পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মণিপুর শকাইরবা নট সংকৃটনগী লৈখিদ্রবা গুরু য়ুমাম যাত্রাদা পদ্মাশ্রী পীদুনা ইকায় খুমখি। মনা অদু রাষ্ট্রপতিনা লৈখিদ্রবা গুরুগী মচানুপা য়ুমাম বিশমভোরদা খুৎশিন্নখি।

য়ুমাম যাত্রানা হিংলিঙৈ মতমদা মণিপুরী নট সংকৃটনবু মালেমগী মীয়ামদা শক তাকবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরমখি। মহাক নট সংকৃটনগী লমদা রাজ্য অমদি জাতিগী থাক্তা মনা ফংখ্রবা মীওই অমনি।

থৌরম অদুদা রাস্ত্রপতিনা পদ্মবিভুসন এৱার্দ অনি, পদ্মভুসন তরুক অমসুং পদ্মশ্রি মনা ৬৬ য়েন্থোকখি। ঙসি য়েন্থোকখিবা মনাশিং অদুদা পদ্মা বি ভুসন অনি, পদ্মা ভুসন ৬, পদ্মাশ্রী ৫৮ য়াওরি।  চহী অসিগী ওইনা রাস্ত্রপতিনা পদ্মা এৱার্দ ১৩১ পীনবা অয়াবা পীখিবনি। মসিগী মনুংদা, পদ্মা বিভুসন মঙা, পদ্মা ভুসন ১৩ অমসুং পদ্মাশ্রি ১১৩ য়াওরি। ঙসি মনা য়েন্থোকপদা য়াওহৌদবা এৱার্দিশিং অনিশুবা রাউন্দদা পীগনি হায়রি।

ঙসি লান্থোকপদা য়াওখিদবা মনাশিং অদুনা অনিসুবা তাঙ্কক্কী ওইনা পাঙথোকপা থৌরম অমদা খুৎশিন্নগনি। মনাশিং অসি তোঙান তোঙানবা লমশিং-আর্ট, সোসিয়েল ৱার্ক, পব্লিক এফিয়র্স, সাইন্স অমসুং ইঞ্জিনিয়রিং, ত্রেদ এন্দ ইন্দষ্ট্রি, মেদিসিন, লিতরেচর এন্দ ইদ্যুকেসন, স্পোর্টস, সিভিল সার্ভিসনচিংবদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌবগীদমক পীবনি।

এসআইআর (এল)ঃ ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী পাউতাক মতুংইন্না অহুমসুবা তাঙ্কক্কী ওইনা স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর) পাঙথোকবা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা ত্রেনিং প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্লি।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি জিলা অসিগী মনুং চন্না লৈবা কেন্দ্র অহুমদা ত্রেনিংশিং পাঙথোকখি। বিধান সভা কেন্দ্রশিং অদুগী মনুংদা সাইকুল, সাইতু অমদি কাংপোকপী য়াওরি।

সিম্পোজিয়ম (এল)ঃ ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে ২০২৬ কী শরুক অমা ওইনা রাজ্য সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী লমজিং মখাদা নোংমগী ওইবা কলেজ লেবেল সিম্পোজিয়ম অমা ঙসি থৌবাল কলেজদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু ইন্সপায়ার বাই নেচর ফোর ক্লাইমেত ফোর দি ফ্যুচর হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা মকোক মথং তারবা মহৈরোই অদুনা রাজ্য থাক্তা পাঙথোক্কদবা চাংদমবদা থৌবাল কলেজগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগনি হায়রি।

কেম্প (এল)ঃ মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকরিবা ৱার্ল্ড গ্লোকোমা ডেগা মরী লৈননা শামুরৌ পি.ঐচ.সিদা লেমা মীৎ লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদু দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মিসন সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা ইনিসিয়েতিভ ওফ দ নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর কন্ট্রোল ওফ ব্লাইন্দনেস এন্দ ভিজ্যেল ইমপিয়ারমেন্টকী মখাদা চয়োল অমা চুপা চত্থগদবা ৱার্ল্ড গ্লোকোমা ডেগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপনি।

চান্দেল (এল)ঃ রাজ্য সরকারগী ত্রেদ, কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রি বিভাগকী মীৎয়েং মখাদা চীংগী জিলাশিংদা লৈরিবা ওন্তরপ্রেন্যুরশিংবু পুকিং থৌগৎনবগী পান্দমদা ঙসি চান্দেল জিলাগী সালেনথার খুলদা অনৌবা ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেট অমা হাংদোকবা থৌরাং লোইখ্রে। হিরম অসিগা মরী লৈননা দি.আই.সি চান্দেলগী জেনেরেল মেনেজর টি.ঐচ. বিজোয়না হায়- রাজ্য সরকারনা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা এম.এস.এম.ই অমসুং উদ্যোগশিং চাওখৎহনবদা মতেং ওইরগনি। মসিদসু নত্তনা লমদম অসিগী নহা কয়াবু থবক ফংদবগী সমস্য কোকহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

এআর (এল)ঃ আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী লমজিং মখাদা অসাম রাইফলসনা ঙসি তেংনৌপল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা জে. মুননোমজাং অমসুং

পি. মিনৌ খুলদা মেদিকেল কেম্পশিং পাঙথোকখ্রে। কেম্পশিং অসিদা চাউরাকা মীওই ২৪৪ দা লেমা লায়েংখি অমদি তঙাইফদবা হিদাক লাংথকশিং পীখি।

আইওসি (এল)ঃ লৈবাক অসিগী মীয়ামদা পেট্রোল্লিয়মগী পোখোকশিং অমদি এল.পি.জিগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা ওইল মার্কেতিং কম্পনিশিং- ইন্দিয়ান ওইল, বি.পি.সি.এল অমদি ঐচ.পি.সি.এলগী মাইকৈদগী লেপ্তুনা হোৎনরি হায়না প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো (পি.আই.বি)গী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লৌউ শিংউগী থবক্তা শিজিন্নরিবা গাড়িশিংদা হাপবা থাউগী দিমান্দ হেনগৎলকপা থেংনরি। পাব্লিক সেক্তর ওইল মার্কেতিং কম্পনিশিংগী খুত্থাংদা লৈবাক অসিগী লৈরিবা দিপোট, পাইপ লাইন, এল.পি.জি বোট্টলিং প্লান্ট অমসুং রিটেল আউটলেটশিংদা অয়েৎ অপন য়াওদনা থাউ অমদি এল.পি.জি ফংহন্নবা হোৎনরি। মীয়ামা থাউ অমদি এল.পি.জি ফংলরোই হায়না পাখৎপা অমদি দরকার ওইবদগী হেন্না লৈশিন্দুনা থম্বগী হৈনবী অসি থাদোকবসু কম্পনিশিংগী মাইকৈদগী আপীল তৌরি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোলঃ ৬৫ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ কে.সি.এস.আই.সি.বি.ই. মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সৈনিক স্কুল ইম্ফাল ওল বোইজ ফুটবোল ক্লবনা জায়নলাং সিনসারিতি য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ৪-১ থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা সোসিয়েল স্পোর্টিং ক্লবনা য়াইরিপোক এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

ফুটবোলঃ নোংচুপ কামেং য়ং জেনেরেসন ক্লবনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা ১৩ শুবা সম্মর স্পোর্টস মিট ওপন ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা গ্রিনলেন্দ পোৎশংবমনা ওৱেজ ফ্রেন্দ ইম্ফাল

এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইদুনা ফাইনেল চংখ্রে। ফাইনেল মেটচ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নগনি।

ফুটবোলঃ  এন.সি.সি. একতা কপ ফোর অন্দর সভেন্টিন বোইজ ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা আর.এফ.এনা নেরোকা এফ.এব্ পাঞ্জল ১-০ দা, এন.সি.সিনা কে.এফ.এবু পাঞ্জল ৪-০ দা অমদি কে.আই.ৱাই.সিনা ই.কে.এফ.এবু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখি।

কাংঃ ২৬ শুবা অরান্বম সোমোরেন্দ্র নীংশিং কুমওন লিগ কম নোকআউট কেন্দ্রৱাইজ ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- পুথিবা খুন্দ্রাকপম কাংখুৎনা ৱালিদা ৱাবগাই কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৬-১৩ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ  মরিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি থৌবালগী মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা কে.এস.দি.ও ক্যামগৈনা থাউ থাংমৈবন্দ রন ৩৭ তা থোইখ্রে।

মোর্দেল হয়ার সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদনা-এম.পি.এ থৌনাউজমনা সি.সি.কে খোংমনবু রন ১৫৮ দা থোইখি। খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুর পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা কে.সি.সি. কোংবনা এস.এস.সি পোরোমপাৎপু রন ১৮৪ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ ৫ শুবা এম.এন.সি.এ. বোইজ অন্দর ফোরতিন ৱান দে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি লুৱাংশংবম ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা আর.সি.এ লিলোংনা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকপু রন ১৩৭ তা থোইখি।

------